# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,TUESDAY, SEPTEMBER 27, 2016 PAGE 7




ইন্দিয়াগী টেষ্ট ক্রিকেট কেপ্টেন বিরাত কেহলিনা উবি টেরর এটেক্টা লৈখিদ্রবা সিফাইশিংগী ইমুং মনুংশিংদং কোন্দেলেন্স পিখিবা



এফ ফি পুনেগী চহি ৩৮ শুরবা আইসলেন্দগী ইন্টনেসনেল ফুটবোল্লর ঐদুর গুরজোন্সে না খুজেং শোকপনা মরম ওইদুনা আই এস এল য়াওররোই

## ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬

### জে ব্রাই দি না এল এফ সি বু গোল গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

জিরিবাম , সেপ্টেম্বর ২৬ঃ



ওল জিরিবাম স্পোর্ট স এসোসিয়েসন (এ জে এস এ) জিরিবাম গী মীৎয়েং মখাদা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুল গী প্লেগ্রাউন্দ দা চংথরিবা ১৪ শুবা টি রাধামানি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা ৪ শুবা মেটচতা জে ব্রাই সি য়াইরোলপোকপী না এল এফ সি লুংগ্রেজাং বু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ৪ শুবা মেটচতা এল এফ সি লুংগ্রেজাং অমদি জে ব্রাই সি য়াইরোলপোকপী শান্নখি। এল এফ সি লুংগ্রেজাং না তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা জে ব্রাই সি য়াইরোলপোকপী না বোল কাওবা হৌখি। বোল হেক কাওবগা ২ শুবা মিনটতা জে ব্রাই সি য়াইরোলপোকপীগী শান্নরোই রোপুংথাং না অহানবা গোল চনখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা জে ব্রাই সি য়াইরোলপোকপী না গোল ১–০ দা মাংজিল থাদুনা চংখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা এল এফ সি লুংগ্রেজাং গী শান্নরোই এমেজিং না ৬৬ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা এল এফ সি লুংগ্রেজাং অমদি জে ব্রাই সি য়াইরোলপোকপী গোল ১–১ দা লৈখি। মতুংদা জে ব্রাই সি য়াইরোলপোকপীগী মালস্বমকুন না ৩৮,৭৪ অমদি ৭৮ শুবা মিনটতা গোল ৩ চনখি। অদুগা লালবিকখুওম না ৮২ দা গোল অমগা চন্দুনা জে ব্রাই সি য়াইরোলপোকপী না এল এফ সি লুংগ্রেজাং বু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি। রেফরিনা জে ব্রাই সি য়াইরোলপোকপী শান্নরোই রোনৈথাং অমদি এল এফ সি লুংগ্রেজাংগী শান্নরোই লুমগাই বু ৫৩ শুবা মিনটতা অনস্পোর্টিং বিহেভিয়রগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। হয়েং ৫ শুবা মেটচতা ইচেল ক্লব দিবোং অমদি রিট্রেদ নমদাইলোং গা শান্নরগনি।

## থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬

### তাটবুং ব্রাই সি না কে এম ব্রাই সি বু গোল ২–১ দা থোইখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্ট স এসোসিয়েসন (এ জে এস এ), জিরিবাম গী মিৎয়েং মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা টিম ১১ না শরুক য়াদুনা চংথরিবা ৬ শুবা পি টিলোতামা দেবী মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা তাটবুং ব্রাই সি না কে এম ব্রাই সি বু গোল ২–১ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ১৬ শুবা মেটচতা তাটবুং ব্রাই সি অমদি কে এম ব্রাই সি টিম অনীমক্না য়াম্না কো ওদিনেট ওইনা শান্নখি। অদুবু তাটবুং ব্রাই সি গী শান্নরোই হাওমিললুন না ৭ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা তাটবুং ব্রাই সি গী একাউন্ট হাংদোকখি। মতুংদা লিপাওনাসু ১৬ শুবা মিনটতা গোল অমগা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ মমাংদা তাটবুং ব্রাই সি না গোল ২–০ দা মাংজিল থাদুনা চংখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা টিম অনীমক কন্না শান্নবা হৌখি। তাটবুং ব্রাই সি না এটেক্ট কয়া তৌদুনসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। কে এম ব্রাই সি গী শান্নরোই রহিন হুসেন না ৫২ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা কে এম ব্রাই সি গী ইজট ঙাকখি। অদুবু তাটবুং ব্রাই সি না কে এম ব্রাই সি বু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

হয়েং ১৭ শুবা মেটচতা এস বি ব্রাই সি অমদি এল এল এফ সি গা শান্নগনি।

## অনীশুবা গোলপচান্দ সিংহ অমদি শ্যামা দেবী নিংশিং কাং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ

এ এম কে এ না শীন্দুনা কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা ইমা অৱৌবী কম্যুনিটি হোল কম কাংশঙ্দা চংথরিবা ২ শুবা গোলপচান্দ সিংহ অমসুং শ্যামা দেবী নিংশিং কাং টুর্নামেন্টতা ঙসি লাংমৈথেৎ কাংখুৎ অমদি সল্লুংফম শান্নখিবদা সল্লুংফম কাংখুৎনা লাংমৈথেৎ কাংখুৎপু ৬৪–৪৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। সল্লুংফম কাংখুৎনা অহানবা গেমদা ১৪–৭ তা মাংজিল থাখি। অনীশুবা গেমদসু সল্লুংফম্না ২৪–১০ হেল্লবা মতুং ৩ শুবা গেমদসু ১৫–১১ দা মাংজিল থাখি। ৪ শুবা গেমদদি লাংমৈথেৎ কাংখুৎনা ১৫–১১ দা মাংজিল থাখি অদুবু গেম মরীমক্কী অপুন্বা স্কোরদা সল্লুংফম্না ৬৪–৪৩ দা লৈখিবনা মায় পাকখিবনি।

ঙসি তাং ২৭–৯–১৬ শান্নবা লৈরোই অদুবু নোংমা নিনি লৈরগা ফাইনেল শান্নবগী নুমিৎ লেপকনি হায়না এ এম কে এ কী জেনরেল সেক্রেটরীনা থোরকপা চেরোল অমনা খংহল্লক্লি।

## চহি ১৩ মখা অমদি ১৬ মখাগী ফুটবোল কোচিং পাংথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ

থাংমৈবন্দ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (থাউ) না চহি ১৩ অমদি চহি ১৬ মখাগী ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম অমা খং–হৈরবা কোচশিংগী মখাদা ওক্তোবরগী তাং ১,২০১৬ তগী পাংথোক্কনি। মরম অদুনা শান্নববু পামজবা ফুটবোল শান্নরোইশিং অমদি অহল লম্মনশিংনা অয়ুক্কী পুং ১০ দগী নুংথিলগী পুং ২ ফাওবগী মনুংদা এন্ত্রি ফোর্ম লৌবীরনা খংহল্লক্লি। নত্রগা মোবাইল নম্বর ৯৮৫৬৩২২৮২ দা কন্টেক্ট তৌরক্নবা খংহল্লক্লি। প্রোগ্রাম অসি ফুটবোল মশান্না খক্তগীনি। থাউ ক্লবনা মতম পুম্বদা ফুটবোল শান্নরোইশিংবু প্রোফেজনেলজিম লম্বীদা লমজিংনবা লমজিংলি হায়নসু মখা তানা ফোংদোরক্লি।

## বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ পাংথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন না মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অমা ওক্তোবর গী তাং ৭ তগী ১০ ফাওবা, নম্বোল সাবল লৈকায় গী পব্লিক হোলদা পাংথোক্লগনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা বোক্সরশিংনা ক্লব নত্রগা এসোসিয়েসন নত্রগা একাদমি অমগী মমিংদা রিপ্রেজেন্ট তৌগদবনি। অকুপ্পা মরোল বি দি এ বি এ গী ওফিস, নম্বোল সবাল লৈকায় নত্রগা ফোন নম্বর ৯৬১২৫৪৭৮৩০ / ৯৪০২৮৮২০৪৪ দগী খংবা য়ারগনি হায়না বি দি এ বি এ গী জেনরেল সেক্রেটরীনা থোরকপা চেরোল অমনা খংহল্লক্লি।

## ২ শুবা সনফিষ্ট কপ ২০১৬ কী ব্রারোল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ

থাংমৈবন্দ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (থাউ) গী লোকেল এরিয়া এরেঞ্জরনা থোক্লিখিবা চেরোল অমনা খংহল্লি মদুদি অনীশুবা সনফিষ্ট কপ ২০১৬ না টিমশিং, স্কুলশিং অমদি ক্লবশিংদা ফোংদোরকপদা টুর্নামেন্ট অসিগী ইন্ত্রি ফোর্ম পিশিন্বগী নুমিৎ ওক্তোবরগী তাং ৪ ওইরগনি হায়রি। লোয়ননা ফোর্মশিং অদু য়াম্না থুনা থাউগী সেক্রেটরীদা পিশিনগদবনি হায়রি। কনাগুম্বা টিমশিংনা টুর্নামেন্ট অসি য়াওনিংলবদি থাউগী সেক্রেটরীদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু নত্রগা থাউ গ্রাউন্দা লৈরিবা থাউ পি সি ও দগী ফোর্ম লৌবীবা য়াগনি হায়না অতুবা চেরোল অমনা মখা তারক্লি।

## কোরিয়া ওপন বেটমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম কিদমবি শ্রীকান্টনা লুচিংগদৌরি

সিওল , সেপ্টেম্বর ২৬ঃ



কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়গা টিম লুচিংগদৌরিবা কিদমবি শ্রীকান্ট

য়ু এস দোল্লর ৬০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কোরিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা হন্দিয়াগী শান্নরোইশিংবু কিদমবি শ্রীকান্টনা লুচিংগদৌরি।

হৌখিবা চেয়োলদা জপানগী সহর টোকিয়োদা পাংথোকখিবা জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা অদুগুম্বা শান্নরোই অমা ওইরিবা কিদমবি শ্রীকান্টনি। মসিগী মখাতানা প্যা য়াবদা হন্দক্তা ব্রাজিলগী সহর রিও দি জেনৈরোদা লোইশিনখিবা সর্ম্মর ওলিম্পিক্সকী নুপাগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলসকী মাইকৈদসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা শান্নরোইনি। মহাক্না হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী বেটমিন্টনগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ব্রাংনা লৈরিবা শান্নরোইনি।

হয়েংদগী ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট হৌরগা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মেন রাউন্দ অদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবনি।

কিদমবি শ্রীকান্টনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেটচ অদু হোং কোংগী শান্নরোই ব্রোং ৰিং কি ভিন্সেন্টকা থেংনগনি। শ্রীকান্টনা ফোংদোকখিবদা টুর্নামেন্ট অসিগী দ্রো অদু মহাক্কী ওইনদি য়াম্না অফবা মওংদা লৈরি। লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী বেদমিন্টন অসিদা অফবা পার্ফোমেন্স উৎকনি হায়বগী থাজবা থম্লি।

ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা নুপাগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা ২০১৪ গী কমনৱেল্‌ঠ গেমসকী গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখিবা পরুপালি কস্যপনা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা হয়েং মালেসিয়াগী গো সুন হুৱাটকা শান্নগনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ১৮ অজয় জে রামনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কোরিয়াগী জিওন হিৱোক জিনদা অহৌবা মেটচতা শান্নগনি। লোয়ননা মমাং চহিগী স্বুই ওপন চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রর্নোইনা মহাক্কী অহানবা রাউদাগী চাইনিস জু ৱৈ ৱাংগা শান্নগনি। অদুগা চহি অসিগী কানাদা ওপন চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা অতোপ্পা চাইনিস তাইপৈগী শান্নরোই সু জেন হাওগা লম্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপী কাংলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী তান্বী লরনা দেনমার্ককী অনা থিয়া মেদসনগা অহৌবা রাউন্দদা

## ইন্দিয়াগী রিটুপরনা দাসনা হোলিস ওপন সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

### দবলসতসু ইন্দিয়াগী সানজনা অমসুং অরাথিনা টাইটল ফঙখ্রে

বৈরুন , সেপ্টেম্বর ২৬ঃ



পোলিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী রিটুপরনা দাস

পোলেন্দগী সহর বৈরুন্দা পাংথোকপা ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন ইভেন্ট অমা ওইরিবা পোলিস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ইন্দিয়াগী রিতুপরনা দাসনা লৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিমক্তদা ইন্দিয়াগী নুপী জুরা সঞ্জনা সন্তোস অমসুং অরাথি সরা সুনিলনা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদুসু লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবী রিটুপরনা দাসনা পোলিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা অদুসু ইন্দিয়াগী শান্নরোই রাসিকা রাজেনি।

ঙরাং শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা পোলিস ওপন অদুদা হন্দিয়গী শান্নরোই অনীনা লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা মেটচ অদু রাসিকা রাজেনা অহানবা গেম অদু ২১–১১ দা থোইখি।

রিটুপরনা দাসনা অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না অহেনবা মশান্না উৎতুনা ২১–৭ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু য়াম্না নুংঙাইবা মওংদা অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেম শান্নবদা রিটুপরনা দাস না ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমখিবদগী ২১–৭ দা থোইদুনা সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী জুরা সঞ্জনা সন্তোস অমসুং অরাথি সরা সুনিলনা টুর্নামেন্ট অদুগী মকোক থোংবা জুরা ওইখিবা রুসিয়াগী জুরা নাটালিয়া বোইজটেক অমসুং য়েলজাবেটতা ঝরকাবু ১৯–২১, ২১–১৯, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## ফোর্মর ফুটবোল প্লেয়র এসোসিয়েসন শেমখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ

মতম অমদা মণিপুরগী শকনাইরবা ফুটবোল প্লেয়র ওইরম্বা মীওই ময়াম্না সেপ্টেম্বর ২০ দা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওলিম্পিক্স ৫০৯ দা পাংথোকপা মীটিং অমদা ফোর্মর ফুটবোল প্লেয়র এসোসিয়েসন কৌবা ওর্গনাইজেসন অমা শেমখ্রে।

হান্না ত্রাউগী মমিং চৎলবা ফুটবোল শান্নরোই ওইরম্বা একে সুর্জিৎনা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্টনি। অদুগা সি ঐচ শন্তিকুমারনা সেক্রেটরী ওইরি। আর কে বীজয় ও রাসবীহারী, টি ঐচ ধনবীর, ঐচ রাধাচরন, দব্লিউ সুসিলকুমার বসন্ত কবুই না এসোসিয়েসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টশিং ওইরি।

এন জি ব্রজকুমারনা এসোসিয়েসন অসিগী ত্রেজরর ওইরগা এল ইবোতোম্বী, টি ঐচ ইবোতম্বী অমদি আর কে খোমদোননা জোইন্ট সেক্রেটরী ওইরি। মসিগীসু মথক্তা অতোপ্পা মীওই ১১ অমসু এক্সিক্যুটিব মেম্বর ওইনা হাপখ্রে। মসিগীসু মথক্তা এম সোমোরজিৎ, এল নবকুমার, কে ঐচ জয়, এন রামজয় অমদি এন জি তোমচাবু এদভাইজর ওইনা হাপখি।

## ইন্দিয়াগী অনন্দনা নেদরলেন্দসকী গিরিগা শান্নরগনি

মোস্কো, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

মালেমগী চেছ চেম্পিয়ন ৫রক ওইবা ঙমখ্রগা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বনাথন অনন্দনা রুসিয়াগী সহর মোস্কোদা পাঙথোক্কদৌরিবা টাল মেমোরিয়েল চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী অহানবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই অনিস গিরিগা লম্বা তৌনরগনি।

মমাংদা সিনকেফিল কপ চেছ টুর্নামেন্টকী অচিনবা লৈখ্রবা মতুং তাল মেমোরিয়েল চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা মপুং ফাবা মশান্না উৎতুনা শান্নগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা ইন্দিয়াগী বিশ্বনাথন অনন্দনা শরুক য়াগদৌরি। মহাক্কী মথক্তা রুসিয়াগী ব্লদিমির ক্রামনিক অমসুং অর্মেনিয়াগী লেবোন অরোনিয়াগী মখাদা লৈরি।

মখা তানা নুমিৎ ১২ চুপ্না শান্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নরোই ১০ না রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটিতা অমনা অমবু লম্বা তৌনদুনা অথোই অহেন তান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অপুন্বা শেলগী মনা অদু য়ু এস দোল্লর ২০০,০০০ অদু শান্নরোই ১০ না লম্বা তৌনগদবনি।

টাল মেমোরিয়েল চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী মাংওইননা পাংথোকখিবা ব্লিট্‌জ টুর্নামেন্টতা তোঙান তোঙান্বা মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোইশিং শরুক য়াগদৌরি। মদুগী মনুংদা ইন্দিয়াগী অনন্দনা অঙৌবা মচু পায়রগা গেলফান, অরোনিয়ান, স্বিদলর অমসুং মামেদিয়ারোদকা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোই রিয়া ভটিয়া ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



ইজিপকী কাইরো সহরদা পাংথোকপা নুপীগী আই টি এফ টুর্নামেন্ট টাইটল ফঙখ্রবী ইন্দিয়াগী রিয়া ভটিয়া

কাইরো , সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোই রিয়া ভটিয়া ইজিপকী সহর কাইরোদা পাংথোকপা য়ু এস দোল্লর ১০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি এফ) ব্রুমেন্স ইভেন্ট ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবী ইন্দিয়াগী রিয়া ভটিয়ানা সেমি ফাইনেলদা বেলজিয়মগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অদুগী ৬ শুবা সিদেদ ওইখিবী ব্রিথ গুকেন্সপু সেট অহুম শান্নবদা সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

বেলজিয়মগী ব্রিথ গুকেন্সনা ৬ শুবা সিদেদ ওইরগা ইন্দিয়াগী রিয়া ভর্টিয়ানা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ ওইখিবনি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট বেলজিয়মগী শান্নরোই ব্রিথ গুকেন্সনা রিয়া ভটিয়াগী সর্ভিস গেম ২ ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা গেম ১–০ দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

শান্নরোই অনীগী টুর্নামেন্ট অদুদা রেঙ্কিং য়েংনরুবদা থাক ৱাংলিবী রিয়া ভটিয়ানা অনীশুবা সেটতা বেলজিয়মগী ব্রিথ গুকেন্সকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬–৩ দা থোইবদগী টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক শান্নরোই অনীনা মখা তানা শান্নগদবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা সেট অদুগীদমক শেম শান্নখি।

ফাইনেল য়ৌনবা রিয়া অমসুং ব্রিথনা শান্নখিবা আই ফি এফ ব্রুমেন্স ইভেন্ট অদুগী অহুমশুবা দিসাইদিং সেট অদুদা ইন্দিয়াগী রিয়ানা লাকশিনবা হেল্লকপদগী মহাক্না বেলজিয়মগী ব্রিথ গুকেন্সকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ঙন্না মাংজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা রিয়া ভটিয়ানা গেম অমগসু ব্রেক তৌবা ঙমবদগী অহুমশুবা সেট অদু ৬–২ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী ফাইনেলদা রোমানিয়াগী এলিনা তিয়োদোরা কেদর অমসুং আর্জেন্টিনাগী গুদালুপে পেরেস রোজানা ইন্দিয়াগী স্বেতা রানা অমসুং রোমানিয়াগী অনা বিয়াংকা মিহায়লাবু ৭–৫,৭–৬(৭–৫) তা থোইদুনা দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।